## থৌরম পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর দান্স লিগ ২.০ না শীন্দুনা তাঙ্থাদা অমদি কার্দিও ৱাকআউটকী থৌরম ঙসি এম এস এফ দি এসকী হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা মণিপুর দান্স লিগকী ব্রান্দ এম্বেসেদর সলাই লুৱাংচানা ফোঙদোকখিবদা, মণিপুর দান্স লিগনা শীনবসি অনীরকশুবনি। লমদমসিদা লৈরিবা নহাশিংনা জগোয়গী লমদা উৎনিংবা কয়া অদু উৎনবা অমসুং হৈ-শিংবা কয়া পুথোকহন্নবগী পান্দমদা পাঙথোকপনি। সোলো দান্স, গ্রুপ দান্স অমদি কে-পোপকী কেটেগোরি খাইদোক্তুনা পাঙথোকপনি। পুন্না পার্টিসিপেন্ট ৫০ লাকখি। ওদিসনদা সোলো দান্সকী ওইনা পার্টিসিপেন্ট ১৬ খনগৎখি। গ্রুপ দান্সতা ৭, কে-পোপতা মরিনি হায়রি।

## নৌনা খল্লবা প্রসিদেন্ট তরাম্না ওকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ :ধর্ম্মনগরদা লৈবা স্বামি বিবেকান্দ শ্রাদা ভৱনদা ৱর্ল্ডথাঙ-তা ফেদরেসনগী প্রসিদেন্ট হুইদ্রোম প্রেমকুমারনা ফেদরেসন অসিগী নৌনা খল্লবা প্রসিদেন্ট নারেংবম সমরজিৎপু তরাম্না ওকখ্রে। থৌরম অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা সমরজিৎনা হায়খি, অসিগুম্বা ফম অমা শিন্নরকপা অসি থবক থৌরমশিং থৱায় য়াওনা হোৎনগনি। থাঙ-তাগী ইন্টরনেসনল য়ুনিভর্সিটি অমা মণিপুরদা লিংখৎনবা হোৎনগনি। থাঙ-তানা নিংথৌ পানবা লৈবাক ওইরিঙৈদগী মণিপুরগী থৱায় ওইনা লাকখি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরমদুদা ওল ত্রিপুরা থাঙ-তা এসোসিএসনগী এদভাইজর দেবেনসু য়াওখি।

## হেল্ঠ কেম্প

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): নেসনল অয়ুশ মিসন এন্দ ষ্টেট অয়ুশ সোসাইটিগী মখাদা দিরেক্টোরেট ওফ অয়ুশ, লম্ফেলপাৎ, য়ুম্নাম হুইদ্রোম মখা লৈকায় মৈরা পায়বী, য়ুথ য়ুনিটি দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসন অমদি য়ুনাইটেদ পিপলস ফ্রন্ট (য়ু পি এফ) য়ুম্নাম হুইদ্রোম লোকল কাউন্সীলনা শীন্দুনা পব্লিক হেল্ঠ আউটরিচ এক্টিভিটিগা মরী লৈননা নোংমগী ওইবা হেল্ঠ কেম্প অমা ঙসি য়ুম্নাম হুইদ্রোম লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা ডা. এস বিশ্বানাথ, ডা. পি ইবোতোন, ডা. বিদ্যাপতি, ডা. গোলমৈ, ডা. নিশা অমদি পেরা মেদিকেল ষ্টাফ কয়াসু শরুক য়াখি।

## সেন্টর হাংদোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): শিংজমৈ সুপর মার্কেট মনাক্তা লৈবা এল আই চোপ্পিং কমপ্লেক্সকী অহানবা ফ্লোরদা নিবিয়া দিভাইস হোম ওটোমেসন এক্সপিরিয়েন্স সেন্টর হাংদোকখ্রে।

এক্সপিরিয়েন্স সেন্টর অসি হাংদোকপগী থৌরমদা নিবিয়া কন্সল্টেন্সি প্রাইভেট লিমিটেদকী ফাউন্দর এরোসিল নামৈরাকপম ফোঙদোকখিবদা, মণিপুরদা অহানবা ওইনা সেন্টর অসি হাংদোকপনি। ইন্দিয়াগী কম্পেনি অমগা খুৎশম্ন দুনা পায়খৎপনি। চাউখৎলকপগী মতুংইন্না থবকশিং ৱাদনা তৌবা য়ারে। য়ুমদা মৈ থানবা, সিক্যুরিটি এলার্ম, গ্যাস লিক ওইবা খঙবা য়াবা দিভাইস, টেক্কিদা ঈশিং থাজিনবা মতমদা থল্লে খঙনবা দিভাইস ময়াম সেন্টর অসিদগী ফংগনি। স্মার্ট ফোন অমগী মতেংনা লোইনা খঙবা য়াগদৌরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

## ফিল্ম ফোরমগী থৌমীশিংনা কেক্রুপাৎ শেংখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): ফিল্ম ফোরমগী আর্টিষ্ট থৌমীশিংনা কেক্রুপাৎ শেংদুনা লূ-নানবা মরৈবাক নুংশিবগী ৱাখল্লোন অদু ফোঙদোকখ্রে।

কেক্রুপাৎ শেংবা অসিদা ফিল্ম ফোরমগী চেয়রমেন শমজেৎশাবম মঙ্গোলজাওনা হায়খি, ফিল্ম ফোরমনা শীন্দুনা চহী খুদিংগী কেক্রুপাৎ শেংদুনা লাক্লি, থৌরমসু য়াওদুনা লাক্লি। মসিদা য়াওবীনবা নৎত্রগা শেংবীনবা হায়রকপা নত্তে। ইরমদম অসিগী ওইবদা ঐখোয়সু থৌদাং য়াগদবনি হায়বগী পান্দমদা পাঙথোকপনি।

লমদমসিদা পোকপা চাওবা অমা ওইনা ফিল্ম ফোরমগী অপূনবগী শক্তম অমগা লোয়ননা পাঙথোকপনি। মসিদসু নত্তনা লৈবাক্কী ওইবা ইস্যু কয়াদসু শরুক য়াদুনা লাক্লি। আর্টিষ্ট ময়ামগী অপূনবা এপেক্স বোদি ওইরিবা ফিল্ম ফোরমনি। ফিল্ম ফোরমগী মেম্বর ৭০ না শরুক য়াদুনা কেক্রুপাৎ অসিবু জুন ১৮ গী মাঙওইননা লূ-নানবা ওইহন্নবা হোৎনজবনি হায়খি।

## ‘কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শানবা মেপতা লৈরিবা অসিগী ওন্ন-তৈনবদা চঙশিল্লক্লবদি থবক পুমথিং থিংলগনি’

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): নোংমাইজিং চীংখোঙ ৱাখাদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শাননবা লম একর ১০০ গী মেপ লৈরিবা অসিগী মতুংইন্না শাদ্রবদি থবক পুমথিং থিংলগনি হায়না ৱাখা য়ুথ ক্লব (দব্লিয়ু ৱাই সী) গী প্রসিদেন্ট ময়াংলম্বম বিশ্মানা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা এম বিশ্মানা হায়খি, কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শাননবা লমগী চাংসি একর ১০০ গী চাংদনি। শাগদবা মফমদুদগী ওন্ননা মখারোমদা চঙশিল্লক্লগা শানবা হোৎনরক্লি। মসিনা ৱাখাদা লৈরিবা মীয়াম্না পেন্নদ্রে। মরমদি ৱাখাদা কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শাগনি হায়বসিদা ৱাখাগী মীয়াম্না হরাওজরম্বা অদু হৌজিক্তি মাঙখ্রে।

হেঞ্জিন্না লৌশিল্লক্লিবা মফম উয়ুং মখোঙ চীংদুম মখোঙ হায়না লৈরিবসি লাইথৌ তৌফমনি। কোনুংগী অমাইবা অমাইবীশিং লাক্তুনা থৌরম পাঙথোক্লিবা মফমনি। চীংশেম্বা অমসুং চীংখোম্বা থৌরম পাঙথোকপা মফমনি। মসিদসু নত্তনা কমল ইংখোল লম্পাক ষনজাবুং ফাওবা য়ৌরক্লে। ৱাখা মীয়াম্না উয়োক ওইনা উ থাদুনা য়োক্লগা হিংজরিবা মফম অসি লানশিল্লকপা অসিনসু হেন্না নুংঙাইহন্দ্রে। করিগুম্বা সরেন চনবা থৌরমদা য়ুমদগী শীং পুরকপা য়াদে। মফম অসিদগী শীং য়াল্লগা পাঙথোক্তবা য়াদে।

ক্ষেত্রিগাও এ সীগী এম এল এগী মহুৎ শিল্লগা মীওই অমগা ৱারী শানরম্বনি হায়বা অমসুং মে ২৩ দা লোন্না চে অমা মীয়াম খঙহন্দনা লম হেঞ্জিন্না শাবগী ৱাফম লৈরম্মী। মসিসু কোদ ওফ কন্দক্ট লৈরিবা মতমদুনি। লম হেঞ্জিন্না কলচরেল য়ুনিভর্সিটি শাগদবা ওইরবদি পুমথিং থিংলগনি।

ৱাখাগী মীয়াম্না হরাওনা য়াখিবা অদুগী ওন্ন-তৈনবদা লাক্লে। খুঙ্গং চৎলু হায়বসি খুঙ্গংদা চাউখৎ থৌরাং পীবীদ্রগা করম্বা খুঙ্গংদা পীরমগনি। ৱাখাগী খুন মচা অসিদা তৌদ্রিবা অসুম্না অতৈ খুঙ্গংদসু তৌরমনি থাজদ্রে। মৈতৈ খুন্থোকপদা য়াওরিবা শাগোন্নরিবা ৱাখা খুননি। হান্নগী লৈজরম্বা মশক থুগায়নবা হোৎনরিবা অসিনা করম্না কলচর নুংশিরিবনো হায়নসু মখা তানা ফোঙদোকখি।

## সোসল ওদিট গ্রাম সভা পাঙথোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): মণিপুর সোসল ওদিট এজেন্সীনা শীন্দুনা ঙসি কোদোম্পোকপী ময়াই লৈকায় কম্যুনিটি হোলদা নোংমগী ওইবা সোসল ওদিটগ্রাম সভা ফোর এম জি এন আর ঈ জি এস এন্দ পি এম এ ৱাই-জি ২০১৮-১৯ পাঙথোকখ্রে।

সোসল ওদিট অদুদা ৱা ঙাঙলদুনা দিষ্ট্রিক্ট সোসল ওদিটর, ইম্ফাল ৱেষ্ট য়োজনা লামানা ফোঙদোকখিবদা, কোদোম্পোকপী জি পিগী মনুংদা পায়খৎলিবা এম জি এন আর ঈ জি এস অমদি পি এম এ ৱাই-জিগী সোসল ওদিট চথবনি। ইম্ফাল ৱেষ্টকী মনুংদা লৈবা তোঙান তোঙানবা জি পিশিংদসু অসিগুম্বা সোসল ওদিটশিং চথগনি। লৈঙাক্কী য়াম্না মরুওইরিবা স্কিম এম জি এন আর ঈ জি এস অমদি পি এম এ ৱাই-জিগী থবক থৌরাংশিং কয়া য়াম্না শুরিবগে অমদি থাদরিবা শেনফমগা থবক্তা চান্নব্রা হায়বদু য়েংশিনবনি। মণিপুর সোসল ওদিট এজেন্সীগী মখাদা ওদিট তৌবনি। হৌজিক ফাওবগী ওইনদি এম জি এন আর ঈ জি এস অমদি পি এম এ ৱাই-জিনচিংবগী স্কিমশিংদা সোসল ওদিট চথরি। তুংদা অতোপ্পা স্কিম কয়া অমসু সোসল ওদিটকী থবক পায়খৎলকপা য়াই।

এম জি এন আর ঈ জি এস অমদি পি এম এ ৱাই-জিগী বেনিফিসরিশিংনা খঙনিংবা কয়া অমসুং হায়নিংবা ৱাফমশিং সোসল ওদিট তৌবা মতমদা হায়বা য়াগনি। হিরমসিগী মতাংদা নীংথিনা খঙমিন্নবা চঙই। কনাগুম্বা বেনিফিসরিশিংদা এৱ্যের ওইবা ৱাৎপসু লৈরিবনি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা ব্লোক দিভলপমেন্ট ওফিসর, হিয়াংথাং সী দি ব্লোক ইম্ফাল ৱেষ্ট টু ও ইন্দিরা চনুনা ফোঙদোকখিবদা, এম জি এন আর ঈ জি এস অমদি পি এম এ ৱাই-জিগী সোসল ওদিট চথরিবা অসি থবক থৌরাংশিং নীংথিনা ইমপ্লিমেন্ট তৌরিবরা হায়বদু য়েংশিন্নবনি। ব্লোক অসিগী মখাদা তোঙান তোঙানবা জি পি ১০ রোম লৈ। জি পিশিং মথং মথং সোসল ওদিট তৌরক্কনি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা কে পিশকমচানা দেজদা ফমখি।

## য়ুম ১০০ শানবা টার্গেট তৌরি : মিরাবাই

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচএন এস): হাউজিং ফোর ওল স্কিমগী মনুং চন্না এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দগী শেনফম হাপচিল্লগা পাৎশোই এ সীদা বিলো প্রোবর্টি লাইনগী মখাদা লৈবা খনগৎলবা ইমুং ১১ গী য়ুমশিং অমদি অঙ্গনৱাদি সেন্টর অনী ঙসি পাৎশোই এ সীগী এম এল এ, এ কে মিরাবাইনা শঙ্গাখ্রে।

শঙ্গাবগী থৌরমগা মরী লৈননা ৱা ঙাঙলদুনা মিরাবাইনা হায়খি, এ সী অসিগী মনুংদা লৈবা শোথরবা মীয়ামগীদমক এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্টতগী পাংবা য়াবা মতেং পাংনবা হোৎনরি। কম্মিটি অমা শেল্লগা লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দ অসি লম্বী শেম্বা, কম্যুনিটি হোল শাবা অমদি য়ুম শাবনচিংবা কয়া চথরি। চহী অসিগী ওইনা য়ুম ১০০ শানবা টার্গেট তৌরি। য়ুম শাবদা লুপা লাখ ১.৫ ওই। মৈনা চাকখিবা য়ুম অমগী ওইনা লুপা লাখ ২.৫ রোম হাপখি। য়ুম শাবা অসিদা য়ামদ্রবদা লুপা লাখ ২ ফাওবদং য়ৌহল্লবদি তুং কোয়বা মওংদা শেম্বা য়াগনি। লৈঙাক্নসু মসি হেনগৎপীনবা মীৎয়েং চঙহন্নিংই হায়নসু ফোঙদোকখি।

চঙাঙ্গৈ কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখিবা থৌরম অদুদা ইম্ফাল ৱেষ্টকী দি সী, এম প্রবিননা ফোঙদোকখিবদা, এম এল এ লোকল এরিয়া দিভলপমেন্ট ফন্দদগী শেল পুথোক্তুনা য়ুম শাবা অসি অফবা ৱাখল্লোননি। হাউজিং ফোর ওল স্কিমগী মখাদা য়ুম শাবগী থবকসু চথরি হায়নসু ফোঙদোকখি।

থৌরম অদুদা চঙাঙ্গৈ জেদ পি মেম্বর সিনাম রঘু, পাৎশোই জেদ পি মেম্বর লাংলেন, চঙাঙ্গৈ জি পিগী প্রধান রোমা, থৌনাওজম লৈকায় জি পিগী প্রধান রতন, সাপম লৈরক জি পিগী প্রধান বিশ্বরজিৎ, লাংজিং জি পিগী প্রধান রোমেন, পাৎশোই জি পিগী প্রধান প্রিয়াসু শরুক য়াখি।

## ফম মুন্নবনা কান্নরোই, মমাঙদা মীয়াম্না লৈঙাক্তা তম্বীখিবা পারা নীংশিংবা চঙই : জিতেন্দ্র

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): চেঙ, গ্যাস পোৎকী মমলনা অতিয়া পক্লা ৱাংলবা মতম, জুন ১৮ থৌদোক অসুক লুরবা মতমদা ফম মুন্নদুনা লৈবনা কান্নরোই। মমাঙদা মণিপুর মীয়াম্না লৈঙাক্তা পারা য়াম্না তম্বীখ্রে মসি নীংশিংবা চঙই হায়না কম্মিটি ওফ সিভিল সোসাইটি কংলৈপাক (সী সী এস কে) গী প্রসিদেন্ট জিতেন্দ্র নিঙোম্বমনা ফোঙদোকখ্রে।

চেক্কোন্দা লৈবা সী সী এস কেগী ওফিসতা পাউমীশিংগা উনবদা জিতেন্দ্র নিঙোম্বমনা হায়খি, মণিপুরদা হৌজিক নোংমগী চঙদ্রবা য়াদ্রবা চীঞ্জাক, চেঙ কেজিদা লুপা ৫০ য়ৌরবা মতমনি। গ্যাস অমদি চান্ন-থক্নবা পোৎলমশিংগী মমল অতিয়া পক্লা ৱাংবদগী মীয়াম্না ৱানরক্লবা য়াম্না লুরবা তানফম হায়বদো ওইরে। মসিগীসু মথক্তা কুমজা ২০০১ দা থোকখিবা জুন ১৮ গী থৌদোক লৈরিবা মতমনি।

মণিপুর মীয়ামগী য়াইফনবনি হায়রিবা লৈঙাক অমদি মতেং পাংলিবা লৈঙাক্লোয়শিংনা মীয়ামগী অৱাবা মতম, লুরবা তানফম অসিদা মরন্নাইগী য়েংদুনা ফম মুন্নবদা কাং-খোং চাইবগী ফীভম অমদা লাক্লে। ফম মুন্নবনা লমদম অসিদা ৱারোইশিন পুরকপা য়ারোই। শেল-থুমগী ফীভমদা শোকচিল্লিবা অসিসু য়াবা ঙল্লোই। কুমজা ১৮৯১ গী অঙ্গলো মণিপুরী ৱার অমদি কুমজা ২০০১ দা থোকখিবা থৌদোকশিং মতৌ করম্না থোকখিবনো হায়বা ঙসিগী লৈঙাক্লা নীংশিংদুনা খন্থবা চঙই।

কুমজা ২০১৮ দা সী এ বি এসেমব্লীদা পাস তৌখিবা অসি এসেন্ট পীদনা লৈরি। মসিগী প্রোভিজন হাপ্লগা অৱাং নোংপোক লমদমদা চৎনহল্লোই হায়খিবনি। বাউন্দরিগী ইস্যু, টেরিটোরিএল ইন্টিগ্রিটিনচিংবা লোইশিন্দনা লৈরিবা কয়া অসি ফম মুন্নরিঙৈদা পি আর লাক্লগা মীয়ামগী অপাম্বগী মায়োক্তা খুদোংচাবা লৌখ্রগদি, মণিপুরদা ফত্তবা লাক্কনি। অদুনা কনানা ওইনিংবা ওইবদা ঐখোয়দা করিসু খন্দে। তৌবদদি মণিপুর মীয়ামগী খল্লগা থবক পায়খৎকদবনি। মমাঙদা মণিপুর মীয়াম্না লৈঙাক্তা পারা য়াম্না তম্বীখ্রে হায়বসি নীংশিংবীয়ু হায়খি।

## হৈকৎ-লৈকৎ তমদুনা ঈকায় খুম্নখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): শক্লাইরবা চোংথাম তেজকুমার মীয়াম্না গুরু মংলেম হায়রগা খঙনরম্বা, আর্টিষ্ট, দিরেক্টর অমসুং রাইটর ওইরম্বনা লৈখিদবদা মণিপুর ষ্টেট শুমাং লীলা কাউন্সীলনা ঈকায় খুম্নবা উৎপগা লোয়ননা হৈকৎ-লৈকৎ তম্বগী থৌরম লৈখিদ্রবগী য়ুম নোংমৈবুং পুং মখোঙদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা পদ্মশ্রী ৱারেপ্পা নব, কাউন্সীলগী প্রসিদেন্ট এম পুর্ণিমাসি লৈমা, কাউন্সীলগী লাইফ টাইম প্রসিদেন্ট পি ঐচ গুনচন্দ্র শর্ম্মা অমসুং ঠিএটর দিরেক্টর এল ব্রজমোহোননা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

কাউন্সীলগী লাইফ টাইম সেক্রেটরি এস ঐচ হেমন্তনা নুংগী ওইবা ৱারোল পীরদুনা হায়খি, ওজা অসিগী মতিক ময়াইদি শিংথাদুনা লোইবা নাইরোই। ঙসিদি শক্লাইরবা ওজা কয়া অমা নোংম-নোংমগী চৎখিবা অসিনা ঠিএটরদা ময়েং তারক্লিবনি হায়খি।

লৈখিদ্রবা চোংথাম তেজকুমার, গুরু মংলেম মৈতৈনা য়াঙখ্রবা খুদোল, ইঙালৈনচিংবা লাইরিক তরামাথোই ফোঙখ্রে। অইবা অমা ওইনা এৱার্দ ফংখ্রে। ওল ইন্দিয়া রেদিওগীসু এপ্রুভ আর্টিষ্ট ওইরম্মী। রূপমহল ঠিএটরগীসু দিরেক্টর অমসুং আর্টিষ্ট অমদি প্লেরাইট ওইখি। শুমাং লীলা কাউন্সীলগী এদভাইজর তর্পোনসু প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইনা শরুক য়াখি। থৌরম অদুদা শক্লাইরবা মীওই কয়াসু য়াওখি হায়রি। থৌরম অদুদা শুমাং লীলাগী শক্লাইরবা কয়াসু শরুক য়াবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবা অসিনা লৌরম্বা থৌদাংশিংগী মতাংদা ৱাফম কয়া থমখি।

## ডোক্তর ফূরম্বগী মায়োক্তা প্রোটেষ্ট চথগদৌরি

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): কোলকাটাদা লৈবা এন আর এস মেদিকেল কোলেজদা নহা ওইরিবা ডোক্তর অমনা চহী ৮৫ শুরবা অনাবা অমা লায়েংবদা লৈখিদবদগী ৱাহৌদা পেসেন্ট পার্টিনা ফূবদগী ডোক্তর অদু আই সী য়ুদা লৈরি। থৌওং অসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা ইন্দিয়া পুম্বদা ব্লেক বেজ থেৎলগা হয়েং জুন ১৭ তগী জুন ১৮ গী অয়ুক পুং ৬ ফাওবা প্রোটেষ্ট তৌগনি হায়না ইন্দিয়ন মেদিকেল এসোসিএসন মণিপুর ষ্টেট ব্রাঞ্চকী প্রসিদেন্ট ডা. শ্যামকুমারনা ফোঙদোকখ্রে।

মণিপুর প্রেস ক্লবতা পাউমীশিংগা উনবদা ডা. শ্যামকুমারনা হায়খি, প্রোটেষ্ট অসি ইন্দিয়া পুম্বগী ওইনা তৌগদবনি। লায়েংবদা ডোক্তরদা হেক্তা তায়নদুনা ফূবসি ইন্দিয়াগী মফম কয়াদা তৌরি। থৌওং অসি ডোক্তরশিংদা চরাংনবা অমনি। চরাংনরগদি অনাবা ফজনা য়েংবা ঙল্লোই। লায়েংবা কিবদগী লৈথোরকপা ফাওবা য়াই। ডোক্তরসু মীনি। পর্সনেল এটেক তৌবা হায়বসি য়ানিংদবা ফোঙদোক্তুনা প্রোটেষ্ট তৌবনি।

জুন ১৭ কী অয়ুক পুং ৬ তগী জুন ১৮ গী অয়ুক পুং ১০ ফাওবা ডোক্তরশিংনা অনাবা য়েংদনা প্রাইভেট হোস্পিটাল অমসুং লৈঙাক্কী হোস্পিটালশিংদা প্রোটেষ্ট তৌগনি। ইমার্জেন্সিদি য়েংগনি। রুটিন ওইবা অনাবশিংদি য়েংলোই। ইন্দিয়ন পেনাল কোদকী মখাদা এক্ট ময়াম লৈ। ষ্টেট ষ্টেটশিংদসু মসি চৎনরিবনি। ডোক্তর অমসুং অনাবশিংগী মরক্তা অফবা মরী থম্বা চঙই। ডোক্তরসু অনাবা লায়েংবদা হার্ট এটেক তৌদুনা শিবসু লৈ। ইনিদয়াগী ডোক্তরশিং থুনা শিগল্লিবসি চাবা, থকপা মতম নাইদবা অমদি অনাবশিংগী ৱাখল কয়া অমা খনবননি। ডোক্তরদা তায়নদুনা লৈরবদি লায়েংবা ঙম্লক্লোই। ডোক্তরনা লাল্লম্লবদি লো লৈ। ডোক্তরগী মথক্তা এক্সন লৌবা য়াই হায়নসু ফোঙদোকখি।

পাউমীশিংগা উনখিবা অদুদা ডোক্তর বিবেকানন্দ, ডা. এস জুগিন্দ্রো, ডা. জেমস এলাংবমসু শরুক য়াখি।

## ওভরসিজ পোইন্টনা শিনবা এক্সপ্লোর সম্মর কেম্প লোইশিনখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): ওভরসিজ পোইন্টনা শীন্দুনা থা অসিগী ৯ দগী চথরকপা এক্সপ্লোর সম্মর কেম্প ২০১৯ ঙসি নুংথিল খুমন লম্পাক য়ুথ হোষ্টেলদা লোইশিনখ্রে।

থৌরমদুদা ওভরসিজ পোইন্টকী সম্মর কেম্প দিরেক্টর সুরজ গুরুঅরিবমনা ফোঙদোকখিবদা, সম্মর কেম্প অসিগী ওবজেক্টিভতি অঙাংশিংগী করিয়র শেম্বনি। তোঙান তোঙানবা রিছোর্স পার্সনশিং কৌরগা ৱাখল লৌশিং পীরি। মণিপুরদা ট্রাফিক রুল নীংথিনা ঙাক্তে। অঙাংশিংদা ট্রাফিক রুলশিং খঙহনবা তঙাইফদে। কেম্প অসিদা অঙাংশিংদা ৱাখল লৌশিং কয়া তাকপদা নত্তনা অঙাংশিং অদুদা য়াওরিবা হৈ-শিংবা কয়া উৎথোকহল্লি।

স্কুলশিংগী সম্মর ভেকেসন মতম মান্নদবনা য়াওনিংবা অঙাং কয়া য়াওবা ফংদনা লৈরি। অহল-লমন কয়ানা অসিগুম্বা কেম্প অসি রেসিদেন্সিএল ওইনা তৌরবদি ফগনি হায়না হায়রকপসু য়াওই। মথং চহীদগীদি রেসিদেন্সিএল ওইনা তৌনবা খল্লি হায়নসু ফোঙদোকখি। থৌরম অদুদা সম্মর কেম্পকী ভাইস চেয়রমেন করীনা অমদি মেনেজিং দিরেক্টর সঞ্জিৎসু দেজদা ফমখি।

থৌরম অদুদা মহৈরোয়শিংগী অহল-লমন অমদি অখঙ-অহৈ কয়াসু শরুক য়াবগা লোয়ননা সম্মর কেম্প অসি পাঙথোকপগী মতাংদা ৱাফম কয়া থম্নখি হায়রি।

## উরিপোক ৱার্দ নম্বর ৬ কী মনুংদা মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবশিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ য়েন্থোকখ্রে

ইম্ফাল, জুন ১৫ (ঐচ এন এস): ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটিনা শীন্দুনা উরিপোক ৱার্দ নম্বর ৬ কী মনুংদা লৈবা ক্লাস টেন অমসুং টু য়েল্ব, সী বি এস ঈ অমসুং বোর্দ অমদি কাউন্সীলগী মার্ক ৱাংনা ফংলক্লবা মহৈরোয়শিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীবগী থৌরম উরিপোক অহন্থেম লৈকায়দা লৈবা কম্যুনিটি হোলদা পাঙথোকখ্রে।

থৌরম অদুদা উরিপোক অহন্থেম লৈকায় দিভলপমেন্ট ওর্গনাইজেসনগী প্রসিদেন্ট ওইনাম চাওবা, কোর্পোরেটর ৱার্দ নম্বর ৬ আই এম সী তৌরাংবম ইন্দ্রজিৎ মীতৈ, আই এম সী ৱার্দ নম্বর ৬ কী মেম্বর সাইখোম রাজনিকান্তা, ৱার্দ নম্বর ৬ কী মেম্বর হুইরেম দীপক, ইনভাইরনমেন্ট দিপার্টমেন্ট, গভর্ণমেন্ট ওফ মণিপুরগী দেপ্যুটি দিরেক্টর তৌরাংবম ব্রজকুমার অমসুং মণিপুর পব্লিক স্কুল, কোইরেঙ্গৈগী প্রিন্সিপাল সগোলশেম প্রেমাবতিনা প্রসিদিয়ম মেম্বর ওইখি।

তৌরাংবম ইন্দ্রজিৎ মীতৈনা হায়খি, ৱার্দ দিভলপমেন্ট কম্মিটি লৈরগা চাউখৎ থৌরাং অমদি ৱার্দ-ৱার্দকী ওইনা পাউ ফাওননবা শেম্বনি। মসিনা ৱার্দ নম্বর ৬ কী ওইবদসু মহৈরোয়শিংবু পূক্লিং থৌগৎখি। মহৈরোয়শিংদা মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীরিবা অসিসু তুংগী য়ুম্বীরেলগী খোঙ্গুল লিজবা অমসুনি। ম্যুনিসিপাল কাউন্সীলনা ফজনা মথৌ তৌরবদি মীয়ামগী ফংফম থোকপা হকশিং ফংবা ঙমগনি। হৌজিক ৱার্দ নম্বর ৬ কী ওইনা দ্রেন কন্সত্রক্সন লোইরে, গ্রীন হাউস অমসুং কম্যুনিটি হোল শাবা লোইরে, শঙ্গাগদবদা ঙাইরে হায়খি। সী বি এস ঈগী মহৈরোয় ২১ অমসুং বোর্দ অমদি কাউন্সীলগী মহৈরোয় ৪১ দা মেরিটোরিয়স এৱার্দ পীদুনা পূক্লিং থৌগৎখি হায়নসু মখা তারি।


# Delta Advance School

Kwakeithel, Imphal (Opp. Oil Pump near Kwakeithel Bazar)

Co-Educational Hr. Sec. Affiliated to COHSEM

ADMISSION OPEN

Class XI (Science & Arts)

(DAS)

Special Admissions Offer for Limited seats only

2019 COHSEM School Performance

4th Position in Arts

Inspire Awardee in Sc.

100 % Pass in Arts

98% Pass in Sc.

Admission Criteria

| | |
|---|---|
| 85% & Above | Free Admission; 2 Years Scholarship (12,000 per annum); Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 80% & Above | Free Admission; Free Tuition Fee; Free Coaching; Book Grant |
| 75% & Above | Free Admission; 50% exemption on Coaching; Book Grant |
| 70% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching; Book Grant |
| 65% & Above | Free Admission; 30% exemption on Coaching |
| 60% & Above | 50% Exemption on Admission; 30% exemption on Coaching |
| 45% & Above | Direct Admission |

The Admission is based on the First come First basis.

HL-B/5402/30/5-19/6








